ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕꯥ, ꯗꯤꯁꯦꯝꯕꯔ ꯱꯴, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯵꯷ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, দিসেম্বর ১৪, ২০২০, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ২৫৭শুবা মশীং

# কেস লিশিং ২৭ হেনখিবা

## ভেক্সিন লাকপা ঙাইদুনা থৌশাদবগী মতৌদি তৌহন্নিংদে

কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎনা মালেম অসিদা লৈরিবা সেক্সন খূদিংমক্কী মীয়ামদা অচৌবা চৈথেং অমা পীরি। চৈথেং অসি মণিপুরগী মীয়াম্নসু চপ চানা ফংলি। কুমজা ২০১৯গী নবেম্বর থাদা চাইনাগী ৱুহান সিটিদা অহানবা ওইনা কোভিদ-১৯গী কেস থেংনখ্রবা মতুং মালেম পুম্বদা লায়না-লাইচৎ অসি শন্দোরকখিবনি। ইন্দিয়াদসু কোভিদ-১৯গী অহানবা কেস অসি চহী অসিগী জন্যুৱারী থা লোইরকপদা থেংনখিবনি। মণিপুরদনা চহী অসিগী মার্চ ২৪দা কোভিদ-১৯গী অহানবা কেস থেংনখিবনি। মার্চ থাদা অহানবা কেস থেংনখ্রবা মতুং দিসেম্বর ১২ ফাওবদা মণিপুরগী অপূনবা কেস মশীং লিশিং ২৭ হেনখ্রে। মণিপুরগী ওইনা দিসেম্বর ১২ ফাওবদা লায়না-লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা লৈখিদবা মশীংসু ৩২২ শুখ্রে। লায়না-লাইচৎ অসিবু লাকশিন্ননবা হোৎনবদা মীপুম খূদিংমক্না লৌফম থোকপা থৌদাংশিং লৌহন্ননবা অমদি ৱাখল তাননবা এৱ্যেৰ্নেস পীবগী থবকশিং পাঙথোক্লবগীদমক ষ্টেটকী থাক্তা, এসেমব্লী সেগমেন্টগী থাক্তা, দিষ্ট্রিক্টকী থাক্তা অমসুং লোকলগী থাক্তা কোভিদ এৱ্যের্নেস কম এনফোর্সমেন্ট কম্মিটিশিং শেম্বগী থৌরাং মণিপুর লৈঙাক্না পায়খৎখিবা লৈখ্রে। মসিদসু নত্তনা ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎ শন্দোরকপা অমদি শিবগী চাং ৱাংখৎলকপদগী নৌনা লৌখৎলকপা থৌরাং ওইনা হৌজিক হৌজিকসু নাইট কর্ফিয়ু থল্লি। সোসল অমসুং কষ্টমরিগা মরী লৈনবা থৌরমশিংদসু মীওই ২০দগী হেন্না পুনবা য়ারোই হায়না অথিংবা থল্লিবনি। কোভিদ-১৯ এৱ্যের্নেস কম এনফোর্সমেন্ট কম্মিটিশিং শেমখ্রবসু মথৌ নীংথিনা পাঙথোকপগী মতৌদি উখিদে। নাইট কর্ফিয়ু, সোসল অমসুং কষ্টমরি থৌরমশিংদা মী ২০ দগী হেন্না পুনবা য়ারোই হায়বগী অথিংবা থল্লবসু মসিগী কান্নবা কদায় ফাওবা ফংলিবগে হায়বসি মীয়াম্না হংনিংবা ৱাহং অমা ওইরি। লায়না-লাইচৎ অসি থেংনবদা হেন্না মতেং ওইননবগীদমক চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা জেনিমস হোস্পিটালদা ফমুং ১০০ লৈবা অনৌবা কোভিদ ব্লোক অমসু শঙ্গাখ্রে। মণিপুরগী ওইনা হৌজিক হৌজিক কোভিদ-১৯গী ফমুং ২৭৫৯ লৈরে। অদুমকপু লায়না-লাইচৎ অসি লাকশিন্ননবা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং থৌশিলশিংদি মায় পাক্না চখরিব্রা হায়বদুদি ঙসি ফাওবদা নীংথিনা য়েংশিনবগী মমি তাদে।

মালেমদা অহানবা ওইনা ফাইজর কোভিদ-১৯ ভেক্সিন চহী ৯০ শুরবী মার্গেরেট কীনান কৌবা বৃটিশ নুপী অমদা কাপখ্রে। সেন্ট্রেল ইংলেন্দগী কোভেনত্রিদা লৈবা লোকল হোস্পিটালদা অমদা মশু ফংলবী নুপী অদু ফিলিপিন্সতগী হৌরকখিবা নর্স অমনা ভেক্সিন অদু কাপখিবনি। নোর্দন আইরলেন্দদগী মার্গরেট কীনানদা অহানবা ওইনা ফাইজর বাইওএনটেক ভেক্সিন অদু কাপ্তুনা বৃটেননা মফম অদুগী মীয়ামদা মাস ভেক্সিনেসন তৌবা হৌখিবনি। ফাইজর বাইওএনটেক কোরোনা ভাইরস ভেক্সিন অসি চহী ১৬কী মথক্তা লৈবা মীওইশিংদা ইমর্জেন্সিগী লায়েং চথবদা শীজিন্নবগী অয়াবা য়ু এসকী ফুদ এন্দ দ্রগ এদমিনিষ্ট্রেসন (এফ দি এ)না পীখ্রে। লৈবাক অসিদসু চয়োল খরগী মনুংদা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন ফংলবা য়াই হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোকখ্রে। মসিদসু নত্তনা হায়দরবাদ, অহমেদবাদ অমসুং পুনেদা লৈরিবা মেন্যুফেকচরিং ফেসিলিটিশিংদা ভেক্সিন পুথোক্লবগী পায়খৎলিবা থবকশিংসু প্রাইম মিনিষ্টরনা রিভিয়ু তৌখ্রে। ভারত বাইওটেক, সেরম ইনষ্টিট্যুট, জাইদস কেদিলা, পেনাসিয়া বাইওটেক, ইন্দিয়ন ইম্যুনোলোজিকেলসনচিংবা ফার্মাসিটিকেল কম্পেনিশিংনা ভেক্সিন অসি পুথোক্ননবা লমজেল তান্নরিবনি। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী পাউতাক মতুংইন্না লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংদসু মথং চহীগী জন্যুৱারী থাদা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিনেসন হৌননবা থৌরাং পায়খৎপা হৌনখ্রবনি। অদুমকপু করম্বা মতমদগী চপ চানা ভেক্সিনেসনগী থবকশিং অসি পায়খৎকদগে হায়বদুদি ওফিসল ওইনা লাউথোকপা লৈত্রি। মণিপুরগী ওইনা কোভিদ-১৯গী কেস মশীং অসি থা খূদিংগী হেনগৎলকপা অমদি লৈখিদবা মশীংসু হেনগৎলক্লিবা অসিদা ভেক্সিন লাকপা ঙাইদুনা লৈঙাক্না অমদি মরী লৈনবশিংনা থৌশাদবগী মতৌদি তৌহন্নিংদে। হৌজিক হৌজিক লায়না-লাইচৎ অসিবু লাকশিন্নবা লৈঙাক্না পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং মায় পাকহন্ননবা মীৎয়েং চঙহন্নিংই। ভেক্সিন লাকপা ঙাইরিঙৈদা চেকশিনহৌদবদগী মীওই কয়াগী পুন্সি মাঙহনখিবসু য়াই, মতৌ অসি ওইরক্তনবা হোৎনহৌসি।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### হুইয়েন লানপাউ পাউচেবু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎচরি

**ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,**

কোরোনাগী চৈথেং মরক্তা স্কুল, কোলেজ পূন্নমকপু থিংজিনখিদুনা তৌফম খঙদনা, মতম শাংনা লৈরবা ঐখোয় মহৈরোয়শিংদা য়াম্না কান্নবা পীবিবা অমা ওইনা হন্দক্তা হুইয়েন লানপাউ পাউচেনা বেঙ্গালি অমসুং মীতৈ ময়েক্তা ফোঙবা পাউচে অনী অসি পূন্না ফোঙবীরকপগীদমক হুইয়েন লানপাউ পাউচেবু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎচরি। অদুবু মীতৈ ময়েক্তা ফোঙবীরকপা কলমশিংদু য়াম্না হরাউনা পাজরুবা মতমদা ৱাহৈগী বনান লানবা থেংনজে। মদুনা ফোঙবীরক্লিবা ৱাহৈ ৱাতাশিংদুগী ৱাহন্থোক লান্না চৎহনখিবা অমদি ৱা-খলনা শাজিল্লগা য়াম্না ৱানা পানবা হোৎনজরে, মসিমক্তি য়াম্না নুংঙাইজদে। মরম অদুনা ইকায়খুম্নজরিবা এদিটরনা অমুক্তং মীৎয়েং চঙবীদুনা য়ারিবমখৈ বনান চুম্না ফোঙবীরক্লবা হায়জরি। অরোইবদা হুইয়েন লানপাউ পাউচে মতম কুইনা মীয়ামগী থৌগল তৌবা ঙম্বা ওইহনবীনবা তাইবঙ শেম্বা মপুগী মফমদা খুরুমজরি।

*অদোমগী - ঙাংবম তনিশা*
*লাইরিকয়েংবম মখা লৈকায়, ইম্ফাল*

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭

১) কলকত্তা য়ুনিভর্সিটিদা মণিপুরী লোলবু মেত্রিকুলেসন পরিক্ষাগীদমক অহানবা শকখঙবা মতমদুদা কনানা ইবা করি লাইরিকপু তম্ন-লাইরিক ওইখিবগে?
২) জোনষ্টোন স্কুলনা হায়স্কুলগী থাক্তা অপগ্রেদ তৌখিবসি করম্বা চহীদনো?
৩) ‘‘ইনুংশোয়গী ঙাচিং’’ হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল কনানা করি লোলদা ইবা করি লাইরিক্তগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপনো?
৪) ‘‘অরায়বা ৱারেং লাইরিক’’ হায়বসি কনানা করম্বা মীওই কাঙলূপকী করিগীদমক ইবনো?
৫) চহী ৫৩গী মমাঙদা অহানবা ওইনা ফোঙখিবা উপন্যাসকী মমিংনি ‘‘লৈপুন’’, অইবাঅসি কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# লৌমীশিংগী কাখল

# লৌউ-শিংউগী ৱাহং পাউখুম

**পাউখুম পীবিরিবা ঃ**
**ডা. এম থোইথোই সিংহ**

Q. চুরি হল্লগা আলু থাবসিবু অকুৎপদা থাগদ্রা-অতোঙবদা থাগদ্রা? খরনা অতোঙবদা থাগদবনি হায়, খরা অমনা অকুৎপদা থাগদবনি হায়। অমা চুল্লবনি অমদি লাল্লনি। চপ চাবা অমা খঙজনীংই।

- চুরামনি, ইথাই

☞ চপ চাবা মসিমকনি হায়বা অমা লৈতে। মফম-মফমগী মখা পোল্লি। অপিকপা (মণিপুরগী লমশিং) মফমদা থাবদি চুরিদা থাবনা চুম্মী; নুমিৎ ৩০নিদা মখোঙ খোপচিনবা; অনীশুবা ওইনা নুমিৎ ৫৫নিদা অমুক লৈবাক খোপচিন্দুনা আলু হেন্না পুথোকপা য়াই। চপ চাবা কাঙলোন কলম অসিমক্তদা থমজখ্রে। অচৌবা মফমশিং - মপান লম অমসুং মণিপুরগী পাক চাউনা থাবা মফম খরদা Potato planter শীজিন্নদুনা থাবদদি মখোঙ অমুক খোপচিল্লরোই, অতোঙবদা থাই। টেক্নোলোজি খুদিংমক লোকেসন স্পিসিফিক ওই। মফমদুগা চানগদবনি।

Q. লৌউ-শিংউবদা অতেনবা মতমদা য়াম্না চাওখৎখিবা লৈবাক কয়া অমা লৈখ্রে। মণিপুরদি মচেৎ অমগী অহোংবা উদ্রি হায়বা য়াই। চাওখৎনবগীদমক খ্বাইদগী মরু ওইবা ৱাফম অমত্তা খঙজনীংই।

- তোমথিন, সনা কৈথেল

☞ খ্বাইদগী মখাদগী মতোন ফাওবদা লৈরীবা লৌউ-শিংউবগা মরী লৈনরিবা মীওই খুদিংমক পুকচেল শেংবা চংই। লৌমীবু য়াংলেন শরূনি হায়না চিন্দা শোনবীরিবা মীওই পূন্নমক্না য়াংলেন শরূ ওইরীবা লৌমীশিংবু শৌগৎপীবা অমসুং ভেল্যু খঙবীরবা মতমদা লৌউ-শিংউ চাওখৎকনি।

Q. আলু অমসুং খামেন অশিনবদা উন্না শোক্তনবা করি হীদাক শীজিন্নবা য়াবগে?

- লৈখাম কুমার, ৱাংজিং

☞ আলু অমসুং হেক্কদবা নুমিৎ ২০নিমুক ৱাৎলিবা খামেন অশিনবদা উন্না শোক্তনবা অমসুং মহি চুপ্পী তীল কয়াদগী ঙাকথোক্লবা Control মিলিলিটর ২০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়ানশিল্লগা; পান্বীদা হীদাক্তু মপূং ফানা নপহৌনবা Solostick মিলিলিটর মঙা য়ানশিল্লগা নৌরিবা মনাশিং মপূং ফানা চোৎনবা কাপথোক্কনি।

Q. চাক থোৎকদবা অঙনফৌ ওইবা য়াবা হায়ব্রীদ ফৌ লৈগদ্রা? মমিং খঙজনীংই।

- রোমিল, থৌবাল

☞ লৈ। মমিংনা Sava 134 কৌই।

Q. হৱাই থরাক অমদি হৱাই মুবী পান্বীদা নাপু মচুগী পাওদর মওংদা তারিবা অসিবু করিদগীনো অমদি কমদৌনা মাঙজৌননা ঙাকথোকহৌগদগে?

শ্যামো থৌনাওজম, থৌবাল কিয়াম সিফাই

☞ ওর্গেনিক ওইনা পাল্লগনা Pseudowell গ্রাম নিফু ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়ানশিল্লগা নুংথিলগী মতমদা মনাশিং মপূং ফানা চোৎনবা কাপথোক্কনি, কেমিকেল ওইনা পাল্লগনা Propiconazole মিলিলিটর ১৫ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়ানশিল্লগা কাপথোকপসু য়াই। অনীরকশুবা ওইনা নুমিৎ ১০নি লৈরগা অমুক হন্না কাপথোক্কনি।

*এগ্রিকলচরেল সেক্সন - হুইয়েন লানপাউ*
[ফার্মরশিংনা লৌউ-শিংউগা মরী লৈননা, ঙা, শা-ষণ য়োকপনচিংবগা মরী লৈনবা ৱাহংশিং চিঠি ইরগা থাবীরকউ।]
চিঠি থারকফম
এগ্রিকলচরেল সেক্সন - হুইয়েন লানপাউ
সেগা রোদ থৌদা ভাবোক লৈকায় ইম্ফাল, ৭৯৫০০১
নৎত্রগা
অদোম্না লৌউ শিংউবা, শা-ষণগা মরী লৈনবশিংগী মতাংদা খঙবিনিংবা লৈরবদি ঈ-মেল ***hueiyenagri@gmail.com*** দা চিঠি থাবিরক্তুনা হংবিরকপা য়াগনি।

# অনৌবা ৱাখল্লোন্দা পোলি হাওস মনুংদা শেন্দোং তানবা (মায়পাক ৱারী অমা)

**- এস সুমঙ্গল -**

মণিপুরগী মফম কয়াদা পোলি হাওস কয়া অমা শাখ্রে। কয়া অমা শেগাইদুনা মাঙখ্রে। খরা অমনা মায় পাক্না শেন্দান লন্থী ওইনা শীজিন্নরি। পোলি হাওস মনুংদা থাবা পোৎলমশিং অসি খরা খল্লি, অপান্বা পান্বী অমা হেক্তা থাবদি য়াবা নত্তে। উ মোরোক, এঙ্খ্রাং মোরোক (কেপসিকম), কোলি হৱাই, খামেন, থবি মখল কয়া অমা, ব্রোকোলি, মনা চাবী হঙ্গাম (য়াম্নমক পক্লবা) অসিনচিংবা পান্বী কয়া অমা মায় পাক্না থাবা য়াই, মনা-মশিং কয়া অমগী চারা হুনবসু য়াই। হৱাই মঙ্গন হুন্দুনা অতেনবা মতমদা হৱাই মতোন মরোল-মরোল লোকপসু য়াই। অসুম্না চানবা মখল খরগী পান্বীশিং কাঙলোন চুম্না থানবা থবক পায়খৎতুনা ঈশিং চনবগী অনৌবা ৱাখল্লোন অমসু শীজিন্নদুনা মায় পাক্না পায়খৎপা থৌরম অমা য়েংসি। পোলি হাওস মনুং হায়বসি চহী লিশাং শিৎনা নোং হায়বদু য়ৌদ্রবা মফম ওইবনা কাঙলোন চুম্না ঈশিং চন্দ্রবদি ঈশিং চন্নবা হোৎনবতদা অৱাবা অমা ওইবতা নত্তনা শেল য়াম্না চঙনবা মচাক অমসু ওইহল্লি। অসিগুম্বা তাঞ্জা অসিদা সাপম লুখোই, ৱাবগাই থিঙেল লৈকায়দা লৈবনা ঈশিংবু ইৱা ৱাদনা য়াম্নমক কাঙলোন চুম্না ঈশিংসু লিক্না শীজিন্নরগা কান্নবসু হেন্না ফংবা ঙম্বা অনৌবা ৱাখল্লোন্নি থমজরিবসি।

পোলি হাওস শারিবা এরিয়া অসি স্কৱার মিটর ৫০০ খক্কী লমনি। ঈশিং চনবগী অনৌবা ৱা-খল্লোন অদুনা - ফৈদোমশিংগী মরক্কী চুরিদা ৱাই নৎত্রগা চৰূ শীজিন্নদুনা চুরি পীক থন্না হাপ্লগা ঈশিং চনশিনবনি।

মেথোদ অসিগী কান্নবা হায়বা তারগদি -
১) ঈশিং তোয়না চন্নদবা
২) ফৈদোমগী মতাইদগী লৈবাক কিন্থবগী চাং হন্থবা
৩) ফৈদোম মপান নক্না পোৎ থাদুনা লম মাঙদবা


থবি চারা


নিংথিনা পাল্লবা থবি

৪) চৰূ নৎত্রগা ৱাই অদু তপ্না তপ্না হার ওনখিবা
৫) লৈবাক্তগী পোকপা পান্বীগী লায়না কয়া অমা ঙাকথোকপা ঙম্বা অসিনচিংবা পনবা য়াই।

মহাক্না থারিবা পান্বী মখলশিংদি - কোবি লৈ অমদি কোবি ফুল (মতুমতাবী) অনীগী চারা হুনবা, এঙ্খ্রাং মোরোক, মনা চাবী হঙ্গাম (তীলনা ঙাকথোক্লবা অমদি মপুন য়োন্নবা), লোয়ননা থবী।

থাবগী মওং : (ক) এপ্রিল ১ - থবি মৰূ পোলিবেগ মনুংদা হুনবা অদুগা এপ্রিল ১১দা ফৈদোমদা লিংথোকপা। ফৈদোমগী অপাকপা - ফুট ৩; চুরিগী অপাকপা - ফুট ২, অৰূবনা ফুট ২নি। চুরি থন্না ফৈদোমদগী খরা ৱাংখৎনা নেৎ-নেৎতুনা চৰূ নৎত্রগা ৱাই হাপ্পা। পোৎ থাবা লোইরগা চুরিদা ঈশিং চনবা। মসিনা হৌরিবা থবি পান্বীদা মতম শাংনা ঈশিং চন্দ্রবসু থবিদা ঈশিংগী অৱাৎপা লৈতনা মশা ফনা হম-হম চাওনা হৌবা ঙমহনবতা নত্তনা থবিসু য়াম্না পানবা ঙম্মী।

থারিবা থবি মখলদি আলমগীর ৩৮০ হায়রিবা মখল অসিনি। হায়রিবা থবি অসি পান্বী ৪৬০ চনবা ঙম্মী।

(খ) থবি লোকপা লোইরবা মতুং, জুলাই ২০দা ফৈদোমশিং অসিদা কোবি লৈ অমদি কোবি ফুল চারা তঙ্খায়-তঙ্খায় হুল্লি। চপ মান্নবা নুমিৎতা ফৈদোমশিং অসিগী মতাই-মতাইদা হঙ্গাম মৰূ হুঞ্জিল্লি। চপ মান্ননা হৌমিন্নদুনা ক্লী বিটল কৌবা শাথীবা তীল অমনা কোবি চারা চাগদবদু হঙ্গাম্না ঙাকথোকপা ঙমহল্লি। লোয়ননা হঙ্গাম অদু মপুন শাদুনা য়োনবদা শেল ফংবা ঙম্মী।

(গ) এঙ্খ্রাং মোরোক মখল স্বর্না (নাপু মচু), নতাশা (অশংবা মখল) অনী অসি জুন ১১দা ফৈদোমদা হুল্লবা মতুংদা অশেংবা মনা পান্দ্রিঙৈদা পোলিবেগতা থাদোকই। লোয়ননা কোবি মৰূ হুল্লবা মতুং নুমিৎ নীনি লৈরগা ফৈদোমদুগী মতাই ওইরপ্না হঙ্গাম হুল্লিবা মরক্তুদা পোলিবেগতা থারিবা এঙ্খ্রাং মোরোকশিং জুলাই ২২দা থাজিল্লি। পোলিবেগতগী থাবা মরম্না পান্বী অশিবা অমত্তা য়াওহন্দবা য়াই। ওক্টোবর থাদা হেকপা হৌবা ঙম্মী।


এঙ্খ্রাং মোরোক


কোবি চারা

অসুম্না লম অমদি মতম মাঙহন্দনা থাবনা থা তরুক্কী মনুংদা পিক্লবা মফমদগী শেন্দোং ওইনা লুপা ১,৫২,৩০০ তানবা ঙম্মী। ●

# লৌউ-শিংউবদা লৈবাক লৈহাওগী মরু ওইবা

**ডো. ৱাইখোম জিতেন**

মীওইবনা ঙসিগী ওইরিবা ফীভম অসি য়ৌরকপদা লমলক্তা হৌরম্বা পান্বীশিং অমদি শা-ঙাশিংবু ঐখোয়গী অকোয়বদা হৌহন্দুনা অমদি য়োক্তুনা লৌউ-শিংউবগী শিনফম অসি চাওখৎলকপগা মরী য়াম্না লৈনৈ। তশেংনা হায়রবদা মীওইবগী খুন্নাই অসি ওইনবা হোৎনবদা লৌউ-শিংউবগী য়াম্না চাউবা থৌদাং লৈ অমদি ওইরিবা খুন্নাইগী ফীভম অসি মখা তানা শমথখিনবা লৌউ-শিংউবগী শিনফম অসি মখা তানা অদুম্মক চথদুনা লৈবা তারি।

লৌউ-শিংউবগী শিনফম্বু মায় পাক্লবা হোৎনবদা খ্বাইদগী মরু ওইরিবা পোৎলম অসি লৈবাক লৈহাওনি। অদুগা মালেমদা লৈরিবা লেংলি পাল্লিবা পূম্বনা দরকার লৈবা, মচি ওইবা মচলশিং অসিসু লৈবাক লৈহাওদগী ফংলিবনি। হৌরিবা পান্বীশিংনা মখোয়গী দরকার লৈবা মচিঞ্জাকশিং লৈবাক্তগী লৌই অদুগা নাপী চাবা জীবশিংনা লৈবাক্তা য়াওবা মচি ওইবা মচলশিং অদু নাপী চাদুনা ফংই। অসুম্না লৈবাক্তগী পান্বীদা, পান্বীদগী নাপী চাবা শা-ঙাদা অদুগা অমুক শা-ঙাশিং অসিবু চাবা শা-ঙাশিংনা মখোয়গী দরকার লৈবা মচি ওইবা মচলশিং অদু নাকোয়ননা লৈবাক্তগী ফংলিবনি। মরম অদুনা মালেমদা লৈরিবা লেংলি পাল্লিবা পূম্বনা মশা-মউ ফনা লৈগে হায়রবদি লৈবাক লৈহাওবু মশা ফনা লৈহনবা হায়বসি তঙাইফদনা তৌদ্রবা য়াদ্রবা থবক অমা ওইরে।

লৈবাক লৈহাও হায়বসিগা ঐখোয়বু অমোৎ অকায় থোকহল্লিবা উফুল অমদি লৈখোম লৈনাংখক থোকহল্লিবা লৈবাক লৈশাগা খেন্নবা য়াম্না লৈ। লৌউ-শিংউবগীদমক শীজিন্নগদবা লৈবাক লৈশাদি, লৈবাক লৈহাও ওইহনবদা চঙবা তোঙান তোঙানবা পোৎলমশিং হায়বদি লৈঙোই, লৈতান, ফোলি (Silt), পথু-পুমথরকপদগী ওইবা লৈশা (SOM), ঈশিং অমসুং নুংশিৎনা অকক্লবা খল অমদা পুল্লগা শেম্বনি। অসুম্না অকক্লবা খল অমদা পুল্লগা শেম্বা লৈবাক লৈশাশিংসিনা পান্বীনা দরকার লৈবা ঈনিলগী চাং ফাজিল্লগা থম্বা ঙম্বগা লোয়ননা অহেনবা ঈশিংশিংবুসু চিথোক্লবগী লম্বেল লৈগনি। পান্বীগী মরানা শীজিন্ননবা নুংশিৎ ফংহনগনি, পান্বীনা চাওখৎহন্নবা তোঙান তোঙানবা মচিঞ্জাকশিং ফংহনবগা লোয়ননা পান্বী অদুনা লেপ্পা ঙম্নবা ফাদুনা থম্বা ঙমগদবনি। করিগুম্বা লৌফম অমদা লৈগদবা লৈবাক লৈহাও ওইহনবদা চঙলিবা পোৎলমশিং অসিগী খলদা খেন্নবা লৈরিবা অসিগী মরু ওইবা মরমদি লৈবাক লৈশাশিং অসিবু ওইহল্লক্লিবা নূং মখলশিং, মফম অদুগী নোংজু-নুংশা অমদি অতোঙ অকুংকী ফীভম, লৈবাক লৈশা অদু শেম্বদা চঙবা মতমগী অশাংবা অমদি তোঙান তোঙানবা অহিংবা জিবশিং অসিগী মখা য়াম্না পোল্লি। লৌউ-শিংউবদা শীজিন্নগদবা লৌফমদা লৈগদবা লৈবাক লৈশাগী মগুনশিং মখাদা পীজরি।

- ঈশিং অমদি নুংশিৎনা লৈবাক মনুংদা চঙথোক-চঙশিন তৌদুনা পান্বীগী মরা য়ৌবা ঙমগদবনি।
- লৌফম অদুদা তোঙান তোঙানবা অহিংবা জিব মখল ময়াম অমা লৈগদবনি।
- পথু-পুমথবদগী ওইবা লৈবাক লৈশা মরাং কায়না য়াওবনা মরম ওইদুনা মুউনবা মচু ওইগদবনি।
- পান্বীনা খুদক্তা শীজিন্নবা য়ারবা পান্বীগী মচিঞ্জাক মরাং কায়না য়াওগদবনি।

লৈবাক লৈশা অসি মহৌশাগী ওইবা মওংদা মথন্তা শেমজবদা য়াম্না কুইনা চঙই। মরম অদুনা মসিবু লোইবা নাইবা মহৌশাগী লন ওইনা লৌই। লৈবাক লৈশা অসি মথন্তা শেম্বা মতমদা সেন্টিমিটর ২.৫-১২.৫ থাবা লৈবাক শেম্নবা হোৎনবদা চহী ১০০ রোম চঙই। মালেমগী মপাল থংবা লৈবাক লৈশাগী শরুক অসিদা পথু-পুমথবদগী ওইবা লৈবাক লৈশা য়াওবগী চাং অসি চাদা ১-৬ ওই। মরম অদুনা অসিগুম্বা লৈবাক লৈশা অসিদা তোঙান তোঙানবা অহিংবা জিব কয়ানা লৈবা ঙমদুনা মশা-মউ ফবা লৈবাক লৈশা ওই।

অফবা লৈবাক লৈহাওদা পান্বীশিংনা নিংথিনা মপূং ফানা হৌরবা মতুংদা মফম অদুদা অদুমক শিখদুনা পথু-পুমথরগা লৌফম অদুদগী পান্বীনা লৌখৎখিবা পান্বীগী মচিঞ্জাকশিং লৌফম অদুদা হল্লকই। নৎত্রগা পান্বী অদু নাপী চাবা শাশিংনা চাখ্রগা মখোয়গী মথী-ময়ুং নৎত্রগা শাশিং অদুগী অশিবা মশাদগী লৈবাক্তগী লৌথোকখিবা পান্বীগী মচিঞ্জাকশিং অদু লৈবাক্তা অমুক হল্লকই।

লৌউ-শিংউবদা পান্বীশিংদা লৌফমদগী লৌথোকখ্রিবা তোঙান তোঙানবা মচলশিং অদুগী মনুংদগী খরতা ওইরবসু হঞ্জিনবা মহৈ-মরোং অদু লোকপা লোইখ্রগা লেমহৌখাকশিং অমদি শা ষণশিংদগী থোরকপা পথু-পুমথবা ঙম্বা পোৎলম খুদিংমক লৌফমদা য়ৌহনবীগদবনি।

লৌউ-শিংউবদা শীজিন্নগদবা লমশিং অসিবু লিশাং শিৎনা শীজিন্নবা য়ানবা তঙাইফদনা পায়খৎপীগদবা থবক থৌরমশিং মখাদা পীজরি।

- লৈবাক লৈশা অদুদা লৈগদবা তোঙান তোঙানবা পান্বীগী মচিঞ্জাক্কী খল চানা লৈনবা, মতম চানা চাংয়েং তৌথোক্তুনা পায়খৎফম থোকপা থবক থৌরমশিং পায়খৎপীবা।
- পান্বীশিংদা ঈশিং অমদি মচিঞ্জাক পীবিবা মতমদা পান্বী অদুগী দরকার লৈরিবা চাং অদুতমক পীবিনবা হোৎনবীবা।
- ইশাগী লৌফমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মফমশিং অদুগা চান্নবা মহৈ-মরোং থাবগী কাঙলোন, ঈশিং অমদি মচিঞ্জাক পীবগী মওং তোঙান তোঙান্না খাইদোকপীদুনা ঐখোয়না শীজিন্নরিবা পোৎলমশিং অদু খ্বাইদগী ফবা অমসুং কান্নবা মওংদা শীজিন্ননবা হোৎনবীগদবনি।
- লৈবাক লৈশা মশা ফনা লৈনবগীদমক লৌফমদা পান্বীগী মখল ওন ওন্দুনা থাবগী হৈনবী লৈগদবনি।
- য়াম্না চোৎলিঙৈদা লৌফমদা অচৌবা গাড়ী (ত্রেক্টর) গুম্বা চঙদনবা হোৎনবীগদবনি।
- য়াম্না তোয়না লৈবাক খোইদুনা লৈহাও থুনা মাঙখিগদবদগী কন্নবা হোৎনবা চুমই।
- য়ারিবমখৈ লৌফম অদু অশংবা মহৈ-মরোংশিং হৌহন্দুনা নুংশিৎ অমদি ঈশিংনা লৈহাও চেন্থোকখিগদবদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনগদবনি।

অসুম্না লিশাং শিৎনা লৌউ-শিংউবগী শিনফম অসি চথদুনা মীওইবগী খুন্নাই অসি মখা তানা শমথবা য়ানবগীদমক ঐখোয়গী লৌফমশিং অসি মশা-মউ ফনা থম্বা হায়বসি লৌমী ঐখোয়গী তৌদবা য়াদ্রবা থবক অমা হায়বদু ওইরে। ●